# ফাইনান্সিএল এক্সন টাস্ক ফোর্সকী এসিয়া-পেসিফিক দিভিজননা পাকিস্তানবু ব্লেক লিষ্ট তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী): ফাইনান্সিএল এক্সন টাস্ক ফোর্স (এফ এ টি এফ) কী এসিয়া পেসিফিক দিভিজননা পাকিস্তানবু ব্লেক লিষ্ট তৌখ্রে।




মনি লোন্দরিং অমসুং টেররিজমদা শেল থাদবগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা এফ এ টিএফকী এসিয়া পেসিফিক গ্রুপনা পাকিস্তানবু ব্লেক লিষ্ট তৌখিবনি। মীওই ১০না শাবা পাকিস্তানগী মীহুৎ কাংবু অমনা এফ এ টি এফকী অথিংবা থমহন্দনবা ফনা কন্না হোৎনরবসু থোইদোক্না কান্নবা ফঙখিদে। মেম্বর ৪১না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা প্লিনরি সেসননা পাকিস্তানগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা ৱারেপ লৌখি।

হৌখিবা জুন থাদা এফ এ টি এফনা পাকিস্তানদা অকনবা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা টেররিজমদা শেল থাদবগী থৌওং ওক্টোবর থা ফাওবগী মনুংদা লেপকদবনি হায়না খঙহনখি। যুনাইটেদ নেসন্সনা টেররিষ্টনি হায়না লাউথোকখ্রবা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎত্রবদি পাকিস্তানবু ব্লেক লিষ্ট তৌবা য়াওনা মখল কয়াগী এক্সন লৌখৎকনি হায়না খঙহনখিবনি।

ইন্দিয়াগী ওইনদি পাকিস্তানবু হান্নদগী হৌনা ব্লেক লিষ্ট তৌনবা এফ এ টি এফতা তকশিন্দুনা লাকখি। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা জাইস-ঈ-মহমদকী লুচিংবা মাসুদ অঝরবু গ্লোবল টেররিষ্টনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা টেররিষ্টশিং চঙজফম পী হায়বগীদমক পাকিস্তানগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা তকশিনখি।

হফিজ সায়িদ, মাসুদ অঝর অমসুং য়ু এননা টেররিষ্টনি হায়না লাউথোকখ্রবা অতৈ মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎতে হায়বগীদমক পাকিস্তানবু ইন্দিয়া অমদি এফ এ টি এফকী অতৈ মেম্বরশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখি।

পাকিস্তাননা হৌজিক ফাওবদা লাস্কর-ঈ-তোইবা, জমাত-উদ-দাৱা, ফলাহ-ঈ-ইন্সানিয়দ ফাউনেদসন অমসুং জাইস-ঈ-মহমদকা মরী লৈনবা লন-থুম কয়া মরুম ফাজিল্লে হায়না ফোঙদোক্লবসু হফিজ সাহিদ অমদি অঝর মাসুদকী মথক্তা কেস রেজিষ্টর তৌখিদবগী থৌওংবু এফ এ টি এফকী মেম্বর কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মমাঙ চহীগী জুন থাদগী পাকিস্তানবু "গ্রে লিষ্ট"তা চলহন্দুনা লাকখিবনি। করিগুম্বা পাকিস্তাননা ফিভম ফগৎহনবা ঙমদবদগী মখা তানা গ্রে লিষ্টতা অদুমক লৈবা তারবদি ইন্টর্নেসনল মোনিটরি ফন্দ, ৱর্ল্ড বেঙ্ক অমদি এসিয়ন দিভলপমেন্ট বেঙ্কনচিংবা কয়ানা এক্সন লৌখৎলকপা য়ানা লৈরি।

করিগুম্বা ইন্টর্নেসনল ফাইনান্সিএল এজেন্সিশিংনা পাকিস্তানগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎলকপা তারবদি লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোনদা চাওনা অকায়বা লাক্লগনি হায়না থাজনরি। হৌজিকমকসু শেল-থুমগী ফিভম শোকচিল্লকপা মরম্না তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়াদগী পাকিস্তাননা শেলগী তেঙবাং লৌনবা হোৎনরবিনি।

# মহাত্মা গান্ধিগী ৱাখল্লোল মতম পুন্নমক্তা অদুমক খুন্নাইগা চানদুনা লৈরগনি ঃ রাম নাথ কোবিন্দ

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী): মীওইবা খুন্নাইনা হেক লৈরিবমখৈদি মহাত্মা গান্ধিগী ৱাখল্লোল খুন্নাইগা অদুমক চান্নদুনা লৈরগনি হায়না প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা ফোঙদোকখ্রে।




য়ুনেস্কো মহাত্মা গান্ধি ইন্সটিট্যুট ওফ এদ্যুকেসন ফোর পিছ এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড য়ুথ কনফরেন্সতা কোবিন্দনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। গান্ধিবু টাইম মেছিন অমদা থল্লগা হৌখ্রবা মতম অমসুং তুংদা লাক্কদবা মতমদা পুথোক পুশিন তৌদুনা য়েংবা মতমদা মহাক্কী ৱাখল্লোল পুন্নমক খুন্নাইগা অদুমক চন্নদুনা লৈরগনি।

ইং তপ্পা অমসুং খাঙবা কনবা হায়বা গান্ধিগী ৱাখল্লোল ঙসিসু অদুমক মতমগা চান্নরি। গান্ধি জিনা পামজরম্বা ৱাখল্লোল ঙাক্লা চৎলবদি মালেমগী মফম পুন্নমক্তা ইং তপ্পা ফিভম লৈহনবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মহাত্মা গান্ধিগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অদুদা এসিয়া, অফ্রিকা, লেটিন অমেরিকা অমসুং য়ুরোপকী লৈবাক ২৭তগী লাকপা নহারোল ১০০০ রোমনা শরুক য়াখি।

ওক্টোবর ২দা পাঙথোক্কদৌরিবা গান্ধিগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওনগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, লৈবাক্কী মপানি হায়না লৌনরিবা মহাত্মা গান্ধিনা ইন্দিয়াদা পোকখিবা তারবসু লুচিংবা অসিনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা খুন্দারিবা মীওই পুন্নমক্কা অচেৎপা মরী থম্মবা ঙমখি। শক ওইনা উনবা নত্রগসু গান্ধিগী ৱাখল্লোল পামজবা মীওই কয়ামরুম মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরি।

মালেমদা ইং তপ্পা পুরক্কবগী পান্দমদা য়ুনেস্কো মহাত্মা গান্ধি ইন্সটিট্যুট ওফ এদ্যুকেসন ফোর পিছ এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্টনা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টকা খুৎশম্নরগা অহানবা ৱর্ল্ড য়ুথ কনফরেন্স পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবদা য়ুনেস্কো মহাত্মা গান্ধি ইন্সটিট্যুট ওফ এদ্যুকেসন ফোর পিছ এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্টকী দিরেক্টর অনন্ত দুরাইপানা হায়খি, মহাত্মা গান্ধিগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপগা ইরোইননা ২১ শুবা চহী চাগী নহারোলশিংদা গান্ধিগী ৱাখল্লোল চেলহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

খুন্নাইদা অহোংবা পুরক্কে হায়রবদি মহাত্মা গান্ধিনা পামজরম্বা পুন্নমক থবক্তা ওন্থোকপা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# মপান লৈবাক্কগী থাদরকপা শেনফমদগী টেক্স লৌররোই ঃ ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিতারমন

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী): শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়ানা মপান লৈবাক্কগী থাদরকপা শেনফমদগী টেক্স লৌররোই হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিতারমননা লাউথোকখ্রে।

কা হেন্না শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংদগী অহেনবা টেক্স লৌনবা থৌরাং লৌখৎলবসু ফোরেন পোর্টফোলিও ইনভেষ্টর (এফ পি আই) শিংদগী মখা তানা টেক্স লৌররোই হায়রি।

জুলাই ৫দা পাঙথোকখিবা বজেট মীফমদা মপান লৈবাক্কগী থাদরকপা শেনফম পুন্নমক টেক্স লৌগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

অমরোমদা, ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা কোর্পোরেটশিংদা মরম চাদনা অৱাবা পীবগী থৌওং থিংনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়নসু ফাইনান্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। য়ুনিক আইদি নম্বর য়াওদবা টেক্স নোটিস অমদি সমোন পুন্নমক চৎনররোই হায়রি।

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী মীওই খরনা অরানবা মওংদা নোটিস থাদুনা কোর্পোরেট সেক্টরদা লৈরিবা মীওইশিংদা অৱাবা পীবগী থৌওং মপুং ফানা লাকশিন্নবগী পান্দমদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটিগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়খি, হিরম অসিগী মতাংদা কাংলোন ঙাক্তবা মীওইশিংবু ক্রিমিনেল ওইনা লৌরোই।

# পাকিস্তাননা এল ও সিদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা লান্মী অমা শীরে

জম্মু, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী): জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী রাজোরি দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি) গী নাওসেরা সেক্টরদা পাকিস্তাননা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা ইন্দিয়ন আর্মিগী লান্মী অমা শীরে।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা, লেফটনেন্ট কর্নেল দেবেন্দর অনন্দনা হায়খি, পাকিস্তানগী লান্মীশিংনা ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ কাপশিল্লকপদা রজিব থাপা কৌবা লান্স নাইক অমা শীরে। সিজ ফায়রগী কাংলোন থুগাইদুনা এল ও সিদা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ানসু খুৎ হন্দুনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম পাকশিনখি। ঙসি অয়ুক অঙনবদা পাকিস্তানগী লান্মীশিংনা রাজোরি দিষ্ট্রিক্টকী সুন্দরবানি সেক্টরদসু নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী ইন্দিয়ন আর্মিনা খুৎ হনখিবগা লোয়ননা নাকল অনী অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্পখি।

অমরোমদা, নোর্থন কম্মান্দগী জেনরেল ওফিসার কম্মান্দিং, লেফটনেন্ট জেনরেল রনবির সিংহনা ঙসি পুঞ্চ অমসুং অখনুর সেক্টরদা চৎতুনা ঙমখৈদা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং য়েংনিখ্রে।

# আই এন এক্স মিদিয়া কেস ঃ চিদম্বরমগী পিটিসন সুপ্রিম কোর্টনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হিয়রিং চখরগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী): হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা আই এন এক্স মিদিয়া কেসকা মরী লৈননা বেল পিবিনবা হায়জরদুনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন সুপ্রিম কোর্টনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হিয়রিং চখরগনি।



জষ্টিস আর বানুমতি অমসুং জষ্টিস এ এস বোপনাগী বেঞ্চ অমনা হিরম অসিগী মতাংদা ৱায়েল চখরগনি হায়না লাউথোকখি। আই এন এক্স মিদিয়া কেসকী মতাংদা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট অমসুং সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসননা চিদম্বরমগী মথক্তা থিজিন্দুনা লাকখিবনি।

ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা পায়খৎলকপা কেসকী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরবু আই এন এক্স মিদিয়া কেসকা মরী লৈননা ওগষ্ট ২৬ ফাওবা ফাদনবা খঙহনখি। রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না সি বি আই অমসুং ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা চখরকপা ইনভেষ্টিগেসনগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হিয়রিং চখনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়রি।

মমাঙদা চিদম্বরমনা এন্টিসিপেটরি বেল পিবিনবা হায়জরকপদা দিল্লি হায় কোর্টনা অয়াবা পীখিদে। মতুং তারকপদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা অসিনা অথুবা মতমদা আই এন এক্স মিদিয়া কেসকী ৱায়েল চখবিনবা সুপ্রিম কোর্টতা হায়জখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০০৭তা চিদম্বরমনা আই এন এক্স মিদিয়া কৌবা টেলিভিন কম্পেনি অমদা মপান লৈবাক্কগী য়াম্লবা শেনফম অমা থাদনবা অয়াবা পীখি হায়না মরাল শীদুনা লাকখিবনি।

# লাইশঙগী ৱাল নীংখাইবদা ৫ শীরে

কোলকতা, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নোর্থ ২৪ পরগনা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা কাচুৱাদা লৈবা লাইশঙ অমগী ৱাল নীংখাইরকপদা মীওই ৫ শীরে অমসুং অতোপ্পা মীওই কয়ামরুম অশোক অপন নংলে।

মীওই লিশিং কয়ানা জন্মষ্টমিগী থৌরম য়াওবা লাকপগা মপা চান্ননা লাইশঙগী ৱাল নীংখাইরকপদা মীওই ৫ শীখিবনি। থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংলবা মীওইশিং মনাকনকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা লৈখিদ্রবশিংদা লুপা লাখ ৫, অশোকপশিংদনা লুপা লিশিং ৫০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

(Notice Under Order-V Rule 20, CPC)
Substituted Service.
IN THE COURT OF CIVIL JUDGE (SENIOR DIVISION) THOUBAL, MANIPUR.
ORIGINAL (MONEY) SUIT NO. 20 OF 2016.

State Bank of India, Thoubal Branch. ...Plaintiff.

-Versus-

Mayengbam Nilachandra Meitei. ...Defendant.

To

Mayengbam Nilachandra Meitei, S/o W. Modhu Meitei Singh, resident of Langmeidong Mamang Leikai, P.O & P.S. Kakching, Thoubal District, Manipur, Pin: 795 103.

Whereas, the above named Plaintiff Bank has instituted a suit against you for recovery of money amounting to Rs. 4,58,886/- (Rupees four lakhs fifty eight thousand eight hundred eighty six ) only and whereas your are not available in your address and it appears to the satisfaction of the Court that summons cannot be served in ordinary way.

You are hereby summoned to appear before this Court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all such questions on 4th day of September, 2019 at 10.30. a.m. to answer the claim and written statement if any.

Take notice that in default of your appearance on the day and time aforementioned the suit will be heard and determined and the Court shall pronounce Judgment against you and a decree shall be drawn up in your absence.

Given under my hand and seal of the Court this 7th day of August, 2019.

By:- Advocate

Sd/- A. Shanta Devi
Judge
Civil Judge (Senior Division)
Thoubal.

HL-P/3775/23,24

(Notice Under Order-V Rule 20, CPC)
Substituted Service.
IN THE COURT OF CIVIL JUDGE (SENIOR DIVISION) THOUBAL, MANIPUR.
ORIGINAL (MONEY) SUIT NO. 14 OF 2016.

State Bank of India, Thoubal Branch. ...Plaintiff.

-Versus-

Md. Madani Ali ...Defendant.

To

Md. Madani Ali, S/o Md. Yakub Ali, resident of Lilong Haoreibi Turen Ahanbi, P.O & P.S. Lilong, Thoubal District, Manipur, Pin: 795130.

Whereas, the above named Plaintiff Bank has instituted a suit against you for recovery of money amounting to Rs. 3,67,818/- (Rupees three lakh sixty seven thousand eight hundred eighteen) only and whereas your are not available in your address and it appears to the satisfaction of the Court that summons cannot be served in ordinary way.

You are hereby summoned to appear before this Court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all such questions on 18/09/2019 at 10.30. a.m. to answer the claim and written statement if any.

Take notice that in default of your appearance on the day and time aforementioned the suit will be heard and determined and the Court shall pronounce Judgment against you and a decree shall be drawn up in your absence.

Given under my hand and seal of the Court this 19 day of Aug, 2019.

By:- Advocate

Sd/- A. Shanta Devi
Judge
Civil Judge (Senior Division)
Thoubal.

HL-P/3776/23,24

(Notice Under Order-V Rule 20, CPC)
Substituted Service.
IN THE COURT OF CIVIL JUDGE (SENIOR DIVISION) THOUBAL, MANIPUR.
ORIGINAL (MONEY) SUIT NO. 12 OF 2016.

State Bank of India, Thoubal Branch. ...Plaintiff.

-Versus-

Heigrujam Premjit Singh. ...Defendant.

To

Heigrujam Premjit Singh, S/o H. Bonbihari Singh, resident of Khongjom Bazar, P.O & P.S. Thoubal, Thoubal District, Manipur, Pin: 795 138.

Whereas, the above named Plaintiff Bank has instituted a suit against you for recovery of money amounting to Rs. 4,39,740/- (Rupees four lakhs thirty nine thousand seven hundred forty ) only and whereas your are not available in your address and it appears to the satisfaction of the Court that summons cannot be served in ordinary way.

You are hereby summoned to appear before this Court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all such questions on 4th day of September, 2019 at 10.30. a.m. to answer the claim and written statement if any.

Take notice that in default of your appearance on the day and time aforementioned the suit will be heard and determined and the Court shall pronounce Judgment against you and a decree shall be drawn up in your absence.

Given under my hand and seal of the Court this 7th day of August, 2019.

By:- Advocate

Sd/-A. Shanta Devi
Judge
Civil Judge (Senior Division)
Thoubal.

HL-P/3774/23,24

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE PRINCIPAL
MOIRANG COLLEGE, MOIRANG

ADVERTISEMENT
Moirang, the 20th Aug., 2019

No. G-28/96-MC: Applications on plain paper are invited from intending candidates for the following posts for running B. Voc. Courses under NSQF of UGC. The posts are on purely contract basis and eligibility criteria are as per UGC norms.

| Sl. No. | *Name of post & Number | **Min. Qualifcation |
|---|---|---|
| 1 | Asst. Prof.-1 Guest Faculty-1 | M. Sc. Sericuture |
| 2 | Asst. Prof.-1 Guest Faculty-1 | M. A. / M. Sc. Beauty & Wellness |
| 3 | Asst. Prof.-1 Guest Faculty-1 | M. Sc. Food Technology |
| 4 | Asst. Prof.-1 Guest Faculty-1 | M. Sc. Comp. Sc. / M. C. A. |

* The number of post may be increased or decreased as decided by the Management Committee.

** If the desired trade of Min. Qualification is not available, allied subject of the trade may also be considered.

Application along with academic documents may be submitted to the office of B. Voc. & CC of the College during office hour on or before **31st Aug., 2019.**

Sd/- (Dr. K. Anand Singh)
Principal
Moirang College, Moirang

HL-P/3788/24

REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
(An autonomous Institute under Ministry of Health & Family Welfare, Government of India)
LAMPHELPAT, IMPHAL - 795004 : MANIPUR

NOTICE
Imphal, the 22nd August, 2019

No. B/561/2019-SR/RIMS (Pt-I): 13093 A walk-in-interview for selection of suitable persons for the posts of Senior Resident in the following departments of RIMS, Imphal will be held on 30th August, 2019 at 11.00 a.m. in the Conference Room of Jubilee Hall, RIMS, Imphal. The appointment is purely on Tenure basis for a limited period of 3 (three) years. Interested candidates having the following qualification, experience and within the upper age limit may attend the Walk-in-interview on submission of an application enclosing their bio-data, along with photocopies of relevant testimonials to the office of the undersigned on or before 28th August, 2019. Candidates employed with any of the State Government/Central Government have to enclose ***"No Objection Certificate (NOC)"*** from the concerned department failing which their candidature may be cancelled without further intimation to the concerned candidate. The candidates have to produce their original certificates, testimonials before the Selection Board.

Department wise vacant posts of Sr. Resident are as follows:

| Sl. No. | Name of post | Scale of Pay | No. of post | Reservation | Qualification and experience |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Sr. Resident (Biochemistry) | PB3, Level 10 | 1 | UR-1 | i Postgraduate degree (MD/MS/DNB) in the respective subject from the institute recognized by MCI ii Candidate must be registered with the Manipur Medical Council/Medical Council of India. |
| 2 | Sr. Resident (Forensic) | -do- | 1 | UR-1 | |
| 3 | Sr. Resident (Obst & Gynae) | -do- | 2 | UR-2 | |
| 4 | Sr. Resident (Paediatric) | -do- | 1 | OBC-1 | |
| 5 | Sr. Resident (Surgery) | -do- | 1 | UR-1 | |
| 6 | Sr. Resident (Physiology) | -do- | 2 | UR-2 | |
| 7 | Sr. Resident (Microbiology) | -do- | 1 | UR-1 | |

* Vacancy may increase or decrease or cancel without any prior notice. The number of vacant posts indicated above (including backlog vacancies) is provisional and subject to change according to vacancies without any notice.

The upper age limit is 45 years, relaxable 3 years for OBC and 5 years for SC&ST candidate and also age relaxation for physically handicapped candidates will be provided as per Govt. of India norms. In case the vacancies are not filled up by the reserved category, the vacancies will be given to the Un-reserved category.

Applications addressed to the Deputy Director (Admn.) will be received upto 3.00 p.m. of the 28th August, 2019.

Sd/-
K. Doungel
Deputy Director (Admn.),
Regional Institute of Medical Sciences,
Imphal

HL-B/5627/24

TODAY HOUSIE BUMPER DRAW TODAY
In aid of
Annual Fund Drive Org. By South East Youth Organisation (SEYO) Imphal Regd. No. 1240 OF 1973
Ticket Rate Rs. 1500/-
HOUSEFULL
Date / Time : 24th August 2019 (7p.m.)
1st 2nd 3rd 4th 5th 6th 7th 8th 9th 10th

1st BUMPER DRAW
Ticket Rate Rs. 1000/-
Housefull
All Line Rs. 20,000/- 2 Lacs
VENUE : Singjamei Thongkhong Kshetri Leikai
NO LIGHT ARRANGEMENT (ঙন্না শান্নজগনি)
HL-B/3637/24

TODAY TODAY
BUMPER HOUSIE DRAW
Orgd. by
ALL MANIPUR PRESS ASSOCIATION (AMPA)
FOR DEVELOPMENT OF PRINTING INDUSTRIES IN MANIPUR
Ticket Rate Rs.2500/-
No Light Arrangement
Housie Nganna Sannajagani
HOUSEFULL: Baleno


Quick-5 : Rs. 40,000/-
1st Line : Rs. 40,000/-
2nd Line : Rs. 40,000/-
3rd Line : Rs. 40,000/-
★ of AMPA : Rs. 40,000/-
MINI BUMPER
Ticket Rate Rs. 500/-
HOUSEFULL : ACTIVA 5G
1st 2nd 3rd

On Saturday, the 24th August, 2019 at 5:00pm (Sharp)
Venue : Wangkhei Keithel Ashangbi Community Hall, Imphal
HL-B/3789/24